# নোভাক জোকোভিচ, ষ্টান ৱারিঙ্কা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ভেনস ৱিল্লিয়মস মায়থীহৌরে





টোরোন্টো, জুলাই ২৯ ঃ

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা টোরোন্টো মাষ্টরসগী শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা টেনিসকী শোমেন রাদেক ষ্টেপানেকপু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টোপ সীদ অমদি কনাদিয়ন টাইটলহোল্ডর অহুমলক ওইখ্রবা অসিনা মেচ অদু য়াম্না লায়না মায় পাকখি। মশাগী চহী ৩৭ শুরবা ষ্টেপানেক্না মরক মরক্তা খংলাক খঙজিন দা শুটশিং কন্দুনা অয়েংবা মীয়াম্বু থম্মোয় শুমহৎহনখি।

জোকোভিচনা অহানবা সেট অদু য়াম্না লায়না মায় পাকখি অদুবু সেকেন্দ সেটকী মরিশুবা গেমদা ২-২ দা চাং মান্ননা চৎখ্রবা মতুং মখা তারকপা মেচতা মশক থোক্লা ষ্টেপানেক্কী মায়কৈদা খূৎ হনখিদুনা মায় পাকখি।

মেচ লোইরবা মতুং জোকোভিচনা হায়খি, রাদেক্না মায়োক্নদুনা শান্নখিবা প্লে অদু য়াম্না নুঙাইবা অমা ওইখি, মহাক অসি মীবু নুঙাইহনবা ঙম্বা মীশক অমনি। নঙনা খঙনবা অমদি ইকায় খুম্নবা মীওই অমগা মায়োক্নদুনা শান্নবা হায়বসি অরাইবা অমদি নত্তে। মহাক্না মশান্না অসিদা মতম শাংনা লৈবা ঙম্বদা ঐখোয়না চাউথোকচৈ হায়না মখা তানা জোকোভিচনা ফোঙদোকখি।

নোভাক জোকোভিচনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা চেক রিপব্লিক্কী মঙাশুবা সীদেদ টোমাস বার্দিচগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। টোমাস বার্দিচনা অমেরিকাগী রয়ন হরিসনবু ৬-৪, ৬-৭ (২/৭), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গল মেচদা অনীশুবা সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কানা ইভেন্ট অসিদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা রিজল্ট ওইনা অমেরিকাগী জেক সোকপু ৭-৬ (৭/৩), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

দবল গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন স্বিস অসিনা চহী মঙাগী মনুংদা অহানবা ওইনা কনাদাদা লাষ্ট আইটতা চঙবা ঙমখি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা অসিনা কনাদাগী টুর্নামেন্ট অসি লোইবগা অথুবদা ওলেম্পিক্সকীদমক রিও দি জানৈরোদা চৎকনি।

ৱারিঙ্কানা হায়খি, নঙনা টাইব্রেক্তা য়াম্না চেকশিনবা তঙাইফদে অমদি তশেংনা মদুদা মিৎয়েং থমগদবনি। মেচ অসি মায় পাকপদগী ঐঙোন্দা হৌজিক মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরে, অদুবু তুংদা করি থোক্লকপগে হায়বদু য়েংসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱারিঙ্কানা মথংগী প্লেদা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। এন্দরসনননা ১২ শুবা সীদ বনার্দ টোমিকপু ৪-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা পুং অনী চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখি। জপানগী অহুমশুবা সীদ কৈ নিশিকোরিনা রজিভ রামবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ৱাশিংটনগী চেম্পিয়ন গেল মোনফিলসনা তরেৎশুবা সীদ দেভিদ গোফিনবু ৭-৬ (৭/৫), ২-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। গেল মোনফিলসনা মথংগী রাউন্দদা মরিশুবা সীদ মিলোস রাওনিককা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মিলোস রাওনিকনা জরেদ দোনাল্ডসনবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা মোন্ট্রিলদা পাঙথোক্লিবা রোজরস কপ্তা তরুকশুবা সীদেদ ভেনস ৱিল্লিয়মসনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ১০ শুবা সীদেদ মেদিসন কিজগী মখূৎতা ৬-১, ৬-৭ (২), ৬-৩ দা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে। মেদিসন কিজনা ১৫ শুবা সীদেদ রসিয়ন অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভাগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। তরামঙাশুবা সীদেদ কোন্টানা অমেরিকাগী ভারভারা লেপচেঙ্কোবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা স্লোভাকিয়াগী ক্রিষ্টিনা কুকোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ক্রিষ্টিনা কুকোভানা কনাদাগী য়ুগেনি বৌচার্দপু ৩-৬, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সীদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা উক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনাবু ১-৬, ৭-৬ (২), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। কার্বরনা মথংগী রাউন্দদা রসিয়াগী দারিয়া কাসাটকিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। কাসাটকিনানা ইটালিগী তরেৎশুবা সীদেদ রোবার্টা ভিন্সিবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।

মমাঙ চহীগী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবা মঙাশুবা সীদেদ রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা ১৪ শুবা সীদেদ চেক রিপব্লিক্কী কারোলিনা প্লিসকোভাবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

হালেপনা ৯ শুবা সীদেদ সভেটলানা কুজনেটসোভাগা মথংগী রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। সভেটলানা কুজনেটসোভানা ১২ শুবা সীদেদ চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কবিটোবাবু ৭-৬ (২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙলকখিবনি।

পনবা য়াই, নোভাক জোকোভিচনা মহাক্কী নোর্থ অমেরিকান হার্দকোর্ট সিজনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা টোরোন্টো মাষ্টরসকী অনীশুবা রাউন্দদা লক্সমবাগকী গিল্লেস ম্যুল্লরবু ৭-৫, ৭-৬ (৩) তা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মাপনশুবা সীদ জোন ইস্নরনা অমেরিকাগী রয়ন হরিসনগী মখূৎতা ৭-৬ (৩), ৬-৭ (৪), ৬-৪ দা মায়থীহৌখি অদুগা কনাদাগী মরিশুবা সীদ মিলোস রাওনিকনা টাইৱানগী লু-য়েন-হসুনবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা কপ অসিগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা বার্বোরা ষ্টাইকোভাবু ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

রিও ওলেম্পিক্সকী মাঙওইননা অরোইবা ইভেন্ট ওইনা শরুক য়ারিবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা ৱিল্লিয়মসনা চেক্কী প্লেয়রবু নমহৎখিবদা মিনিট ৫৮ চঙখি। ৱিল্লিয়মসনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা কালিফোর্নিয়াদা পাঙথোকখিবা বেঙ্ক ওফ দ ৱেষ্ট ক্লাসিক্কী ফাইনেলদা ব্রিটেনগী জোহন্না কোন্টাগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবনি।

# ইন্দিয়ানা স্পেনগী মখূৎতা অনীরকশুবা ওইনা ২-৩ দা মায়থীহৌদুনা নীংবা কায়না লৈহৌখি



মেদ্রিদ, জুলাই ২৯ ঃ

ৱর্ল্ড রেঙ্ক মঙাশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্কী শেম শাবা ওইনা প্রেক্টিশ গেম অনীগী সেরিজ অমা স্পেনগা মায়োক্নদুনা মফম অসিদা শান্নখিবদা মেচ অনীমক ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১১ শুবদা লৈরিবা স্পেনগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা সেরিজ অদু ০-২ দা নীংবা কায়না লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা রিও ওলেম্পিক্সকী শেম শাবা ওইনা স্পেন টিমগা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা অরোইবা অমদি অনীশুবা মেচতা ২-৩ দা মায়থীহৌখি।

স্পেনগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অহানবা মেচতসু ইন্দিয়ানা য়ূম্থ স্পেনগী মখূৎতা ১-৪ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী মাঙওইননা ইন্দিয়ন টিমনা অচৌবা মঙলান অমগা লোয়ননা স্পেনদা চৎতুনা শান্নখিবা প্রেক্টিশ মেচ অনীদা থংনা থংননা মায়থীখিবা অসিনা লাক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্সতা করি থোক্লগদগে হায়বদু তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈখ্রে।

ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন নিপানলক ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা চহী ৩৬ কী মতুংদা অমুক হন্না ওলেম্পিক্কী মেদল লৌনবা চাউরবা আশা তৌরিবনি। ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা কুমজা ১৯৮০ দা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক অদুদা অরোইবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌখি।

শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা মেদ্রিদতা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা স্পেনগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মনপ্রিট সিংহনা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা গোল অমা অমসুং রমনদিপনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অমগা চন্দুনা অপূনবা গোল মশীং অনী শুখি। অদুগা স্পেনগী গোলশিং অদুনা মেচকী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা জোসেফ রোমেয়ুনা গোল অমা, মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা পাও ক্বেমাদানা গোল অমা অমসুং মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা সলবাদোর পেরানা গোল অমা চন্দুনা মায় পাকখি।

ইন্দিয়া অমদি স্পে অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখিবা মেচ অদুগী অহনাবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা অহেনবা মতিং ফুদোক্তুনা স্পেনগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখি। অদুবু স্পেনগী লিংলবা দিফেন্স নমখায়দুনা চঙশিনবা ৱানা থোকখি।

স্পেননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা কাউন্টর এটেক্তা পেনালটি কোর্নর ফংখি। অদুবু পেনালটি কোর্নর অদু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। স্পেননা অমুক হন্না পেনালটি কোর্নর অমগা ফংবা ঙমখি। মদুদা জোসেফ রোমেয়ুনা মেচকী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা নিংথিনা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

স্পেননা গোল চনশিনখিবগী তপথদ্রবা ইন্দিয়ন সাইদনা গোল ইক্বেলাইজ তৌননবা চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা মনপ্রিটনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখ্রবা মতুং স্পেননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা পেনালটি কোর্নর অমগা অমুক ফংবা ঙমখি। পেনালটি কোর্নর অদু মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা পাও ক্বেমাদানা গোল ওন্থোকখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক স্পেনগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে।

য়ূম্থুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা সলবাদোর পেরানা গোল অমা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ৩-২ দা অনীরকশুবা ওইনা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ইন্দিয়া অমদি স্পেন অনীনা শান্নখিবা অহানবা মেচতা স্পেননা ইন্দিয়াবু ৪-১ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দ্রেগ ফ্লিকর রুপিন্দর পাল সিংহনা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা চনখি। অদুগা স্পেনগী গোলশিং অদুনা জাবি লিওনার্টনা মেচকী মিনিট ১০ অমদি ৩১ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং পাওল ক্বেমেদানা মেচকী মিনিট ৩০ অমদি ৪২ চৎপা মতমদা গোল অনী চনখি।

টিম অনীগী মেচ অদুদা য়ূম্থুনা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা জাবি লিওনার্টনা ফজরবা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ইন্দিয়াগী গোল অদু অনীশুবা ক্বার্টরদা ফংখিবা পেনালটি ষ্ট্রোক্তা রুপিন্দরনা নিংথিনা কনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

ক্বার্টর অদুগী অরোইবা পুংজাদা স্পেনগী ক্বেমাদানা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। স্পেননা মখা তানা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপদা লিওনার্ট অমদি ক্বেমাদানা মেচকী মিনিট ৪২ দা গোল অমমমগা চনশিনখিদুনা ৪-১ দা ইন্দিয়াবু নমহৎলমখি।

# রিওগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ফাইনেল ফাওবা চঙবা পাম্বগী মত টিনতু লুকানা ফোঙদোকখ্রে




কোজিকোদে, জুলাই ২৯ ঃ

ষ্টার এথলেট টিনতু লুকানা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক গেমসতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা মশামক্তা লৈরি। মহাক্না মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ফাইনেল ফাওবা চঙবা পাম্বগী মত থমখি।

মফম অসিদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ষ্টার এথলেট টিনতু লুকানা হায়খি, ঐহাক হৌজিক হান্নদগী হেন্না ফজৎলে অমদি রিও ওলেম্পিক্সকী মিটর ৮০০ গী লমজেলগী ফাইনেল ফাওবা য়ৌগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবী টিনতু লুকা লায়রবা ইমুংদগী হৌরকখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০০১ দা পি টি উষা স্কুল ওফ এথলেটিক্সতা তমদুনা এথেলেটিক মশান্নদা পূক্নিং লুপ্পা হৌরকখি। মহাক্না পীক্লিঙৈদগী এথলেটিক্সতা পূক্নিং চঙনা হোৎনরকপনা মশান্না অসিদা করিগুম্বা খরদি মীয়াম খঙনা পাঙথোক্কে হায়না মপূক্নিংদা চেৎনা খন্দুনা লাকখি।

রিও ওলেম্পিক গেমসকী নুপীগী মিটর ৮০০ গী ইভেন্টতা ক্বালিফাই ওইখ্রবা লুকানা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা মহাক্না পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুদগী হৌজিক্না মতিং থোক্লা হেনগৎলে। মহাক্না কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্স অদুগী নুপীগী মিটর ৮০০ গী ইভেন্টতা শরুক য়াদুনা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

সেমী ফাইনেলদা মহাক্না তরুকশুবা পোজিশন তাখিদুনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমহৌখিদবনি।

লন্দন ওলেম্পিক্তা ঐনা ঐগী লৈজবী থাদুনা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু উৎখি। অদুবু হৌজিক্তি ঐগী ইফমদা লৈখিবা অশোয়বশিং অদু ইশানা খঙজবগা লোয়ননা চুমথোকপা ঙল্লে। লোয়ননা মতম অদুদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদগী হৌজিক্না অমুক হেনগৎনা পীবা ঙল্লে। মসিমক্না ঐহাক্না রিওদা ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্বনি হায়না লুকানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লুকানা কমজা ২০১৫ দা ৱুহান্দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু উৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি। অমদি ইঞ্চিওন্দা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুদা শিলভর মেদল ফংখিবনি।

মহাক্না হায়, ঐনা রিওদা চেনমিন্নগদৌরিবা কো রন্নরশিং য়াম্না এক্সপরিএন্স লৈরবা ঙাক্তনি হায়বসি খঙই। অদুবু ঐনা মখোয়গী এক্সপরিএন্সশিং অমদি তৌবা ঙম্বশিং অদু হান্ননা খঙদোকপা ঙল্লে। মখোয়গী লৈরিবা অহোবা অদু ইশামক্তা মেনশিঞ্জদুনা সেমী ফাইনেল ফাওবদি শুংশোয় শোয়দনা মখোয়গা লম্বা তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈজে। ঐগী থাজবা অসি মাঙদনবা ইশামক্না অঙম্বা শক্তি শীজিন্নদুনা হোৎনগনি।

ঐহাক্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলবদি হায়দুনা নীংজরকপা মঙলান অদু ফংবা ঙমখ্রে। ঐগী মঙলান অসিদা মেদল অমগা অমুক লৌবা ঙম্বা রন্নর অমা ওইনবগীদমক আশা তৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# শোট পুট্টর ইন্দরজিৎ সিংহগী সেম্পল বিদা করিগুম্বা অমত্তা ফংখিদ্রবসু রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগনি হায়বা তম্বা ঙমদ্রি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ ঃ

শোট পুট্টর ইন্দরজিৎ সিংহগী হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ চথরিঙৈ মনুং জুন ২৯ দা লৌখিবা দোপ সেম্পল অদু তশেং তশেংলে হায়না রিজল্ট অদু হল্লকখ্রবসু মহাক্কী মমাঙদা টেষ্ট তৌখিবা এ সেম্পল পোজিটিব ওইখিবা অদু ওইনা চৎনগনি হায়না পাউগী সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দরজিৎকী জুন ২২ দা লৌখিবা এ সেম্পল অদু নিংথৌকাবা নুমীৎতা অথিংবা থমখ্রবা ষ্টেরোইদ পোজিটিব ওইরম্বদগী নুমীৎ তরেৎনিগী মনুংদা মহাক্কী বি সেম্পল অদু টেষ্ট তৌনবা নাদানা খঙহনখি। জুন ২৯ দা লৌখিবা মহাক্কী সেম্পল অদু নেগেটিব ওইরম্লবসু নাদানা মহাক্কী অহানবা জুন ২২ গী রিজল্ট অদু ওইনা লৌগনি হায়না সোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সী (নাদা) না শান্নরোয় কয়াগী তোঙান তোঙানবা টেষ্ট কয়া তৌখ্রে অমদি মদুদা করম্বা নেগেটিব ওইবগে হায়বদু ফোঙদোক্তে, পোজিটিব ওইবা কেসখক্তা খঙহল্লি। জুন ২৯ গী সেম্পল অদু নেগেটিব ওইরবসু ইন্দরজিৎকী জুন ২২ গী পোজিটিব ওইখিবা সেম্বল অদুদা অহোংবা অমত্তা লৈরোই হায়না সোর্স অদুনা ফোঙদোক্লি।

মহাক্কী এ সেম্পল অদু পোজিটিব ওইরমখিবদগী নাদানা কুমজা ২০১৪ গী এসিয়ন গেমসতা সিলভর মেদল লৌখিবা হরিয়ানাগী এথলেটি অসিদা মহাক্না পাল্লবদি মহাক্কী বি সেম্পল অদু চয়োল অমগী মনুংদা টেষ্ট তৌবা য়াগনি হায়না খঙহনখি। করিগুম্বা বি সেম্পল অদু পোজিটিব ওইরম্লগদি রিওদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংদবদা নত্তনা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (ৱাদা) গী অনৌবা কোদকী মখাদা চহী মরিগী অথিংবা মায়োক্নবা য়ানসু লৈরি হায়রি।

ইন্দরজিৎনা নেসনল কেম্পতা য়াওবগী মহুৎ মশাগী অপাম্বা মতুংইন্না মশাগী কোচশিংগা ট্রেন তৌবা এথলেটশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লাকখিবনি।

# হৌখিবা ওলেম্পিকশিংদা লৌখিবা শান্নরোয়শিংগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইবগী মশীং য়ামখৎলক্লি



লন্দন, জুলাই ২৯ ঃ

কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংগী সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা মেদল লৌখিবা তরুক য়াওনা ৱেথলিফ্টর তরামাথোই পোজিটিব ওইরল্লে হায়না ইন্টরনেসনল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা নটালিয়া জাবোলোটনায়া য়াওনা লন্দন গেমসকী সিলভর মেদালিষ্ট অহুম টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখি অমদি টেষ্ট তৌখিবা অদুদা ফেল ওইখিবা নটালিয়া জাবোলোটনায়াগী কম্পেট্রোইট অলেকজেন্দর ইভানোভ অমদি সভেটলানা টজারুকেভাসু য়াওরে হায়না আই দব্লিয়ু এফনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নটালিয়া জাবোলোটনায়ানা লন্দন গেমসতা কেজি ৭৫ গী কাঙলুপকী ইভেন্টতা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সিলভর মেদল ফংখি। মহাক্না চহী নিপানগী মমাঙ কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্স গেমসতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবা অদুমক লন্দন গেমসদসু হল্লক্তুনা মেদল অদুমক লৌবা ঙমখিবনি।

ইভানোভনা কেজি ৯৪ গী কাঙলুপকীদা কুমজা ২০১০ অমদি কুমজা ২০১৩ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখি অদুগা টজারুকেভানা কেজি ৬৩ গী ইভেন্টতা কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড টাইটল লৌখি।

অতোপ্পা দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইখ্রবা লন্দন গেমসকী মেদালিষ্টশিংগী মনুংদা বেলারসকী ইরিনা কুলেশা, অর্মেনিয়াগী হরিপসিমে কুর্শুদয়ান অমদি মোলদোভাগী ক্রিষ্টিনা আইওভু য়াওরি।

ইন্টরনেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না হায়, এথলেট ১১ অসি মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে। টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইখ্রবা এথলেট পুম্নমক অথিংবা থমখ্রবা এনাবোলিক ষ্টেরোইদ দিহায়দ্রোক্লোরমেথাইলটেষ্টোষ্টেরোন পোজিটিব ওইরমখি হায়না আই দব্লিয়ু এফনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) না ইরাই নুমীৎতা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা লৌখিবা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা এথলেট ৪৫ ফেল ওইখি।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৈবাক মাপনগী স্পোর্টস দিসিপ্লিন অনীগী এথলেট ১৩৮ গী লৌখিবা সেম্পল অমুক হন্না টেষ্ট তৌখি। লন্দন ২০১২ গী অমুক হন্না টেষ্ট তৌখিবা অদুদা ১৫ দি ফেল ওইখি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 1055/SDC/IW-L/ 2016*

1. Thingbaijam Nobo Singh S/o (L) Chaigoi Singh of Sagoltongba
2. –DO– (O) Achoubi Devi W/o (L) Yaima Singh of Ngairangbam
3. –DO– Manao Singh S/o (L) Chaigoi Singh – of –DO–
4. –DO– Rajenba Singh S/o (L) –DO– of –DO–
5. –DO– Tomba Singh S/o (L) –DO– of –DO–

-Petitioners

-Vrs-

Late Thingbaijam (O) Tombimacha Devi W/o (L) Nara Singh of Nongchup Sanjenbam

-O.P. Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 29/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থিংবাইজম ওংবী তোম্বীমচা দেবী, পীং পতি মৃঃ নারা সিংহ, সাং নোংচুপ শঞ্জেনবমগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬১-সঞ্জেনবমগী অনৌবা পাট্টা নং ১২০, দাগ নং ২২৭ অমসুং এরিয়ানা ০.৪৫ চাওবা অসিগী মনুংদগী মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৩১৩ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইশ্তোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**

HL-P/8724/ 30 Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ **ফিঙৌ চৎপা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম শাংনা নাদুনা নুমিদাং তুম্বদা ফিঙৌ চৎপা, খোঙ হাম্বা অমদি মপান থোকপদা ফম্বী য়াওবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭ দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐ হৌজিক মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **কয়ামুদ্দিন** বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমহনসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজরি।

**Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon.**
**Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm**

*থাগৎচরিবী :* **Chongtham Anoubi Devi**
Airport

HL-B/3175/08/07-07/08

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ **THANKING YOU PABUNG NABAKISHORE**



L. Nabakishore

PHATSOT PI A PAT KANA THOH LEL URETER A SONG (STONE) 8 MM SIZE. CHU PATHEN LUNGSET JAL IN L. NABAKISHORE KHAMNAM LEIRAK SAGOLBAND IMPHAL DAMDOI MANG CHA IN DAMTAH IN KATHA LHA TAN PATHEN THAGVAH IN UM HENI.

"PATHEN IN NABAKISHOREPU
PHAT THEI DOH TA HEN"

**Sd/- SEIKHOLUN HAOKIP**
LHANJANG VILLAGE
CHURACHANDPUR

H/L-P/9144/20/07-19/08